ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# ফ্রান্স অমদি মোরোক্কো অনীশুবা ফাইনেলগী মফম কন্নবা ঙসি নোংয়াই মতুংদা থেংনরগনি







কটার,দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

ফ্রান্স অমদি মোরোক্কো অনীনা কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেলগী মফম কন্নবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নোংয়াইমতুং পুং ১২.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সনা সেমীফাইনেল অসি য়ৌনবা লম্বীদা ইংলেন্দবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ২-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। ফ্রান্সনা গ্রুপ দিগী লীগ ষ্টেজদা অষ্ট্রেলিয়াবু ৪-১ অমদি দেনমার্কপু ২-১ অদুগা টুনিসিয়াগী মখুৎতা ০-১দা মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা লাষ্ট ১৬ চঙলকখিবনি।

ফ্রান্সনা পোলেন্দবু ৩-১দা লাষ্ট ১৬ মেটচতা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

মোরোক্কোনা গ্রুপ এফকী লীগ মেটচতা ক্রোএসিয়াগা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রবা মতুং বেলজিয়মবু ২-০ অমদি কানাদাবু ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা পোইন্ট ৭ ফংদুনা গ্রুপকী অহানবা পোজিসন তাদুনা লাষ্ট ১৬ চঙবা ঙম্লকখি। মখা তাবা নোক আউট ষ্টেজকী প্রি ক্বার্টরদা স্পেনবু টাই ব্রেকতা ০-০ (৩-০) দা মায়থীবা পীরম্লবা মতুং পোর্টুগলবু ১-০দা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ফ্রান্সনা মোরোক্কোগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা মমাংদা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগা শান্নখিবা স্কৱাদশিং অদুম্মক লেংদনা শান্নহনগদৌরি। অদুগা মোরোক্কোগী মায়কৈদগী সেন্টর বেককী প্যের নয়েফ এগ্বার্দ অমদি রোমেন সেস অশোকপনা মরম ওইরগা য়াওরোইদৌরি। ষ্ট্রাইকর ৱালিদ সেদিরাসু পোর্টুগলগা শান্নখিবা মেটচতা রেদ কার্দ পীদুনা তাম্থোকখিবদগী মেটচ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি। নৌসের মজ্রাৱি অমদি অব্দেল হামিদ সাবিরি অনীনা ফর্ষ্ট ১১দা শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরি।

মেটচ অসিদা ফ্রান্সকী থিও হর্নান্দেজ অমদি মোরোক্কোগী অক্রফ হাকিমি অনীগী মরক্তা অচৌবা লম্বা তৌনগদৌরি।

মেটচকী মাংওইননা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফ্রান্সকী কেপ্টেন হ্যুগো লোরিসনা ফোঙদোকখিবদা, মোরোক্কোগী শীংথানিংঙাই ওইরবা ৱর্ল্ড কপকী লমজেল অসি থাগৎলি।

ক্রোএসিয়া, বেলজিয়ম তুংওইনরম্লগা গ্রুপকী মকোক্তা লৈদুনা নোক আউট ষ্টেজদা স্পেনবু পেনাল্টিদা অদুগা মথংদা পোর্টুগলবু মায়থীবা পীরম্লগা অহানবা ৱর্ল্ড কপকী সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা অফ্রিকান অমদি আরব টিম ওইবা ঙম্বগী মখোয়গী হোৎনজমলবু ইকাই খুম্নে। অদুবু মসিগী লেভেল অসিদদি করিসু তৌবা ঙম্মোই হায়না ইংলেন্দগা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাকখিবা মশাগী ইন্টরনেসনল কেপ ১৪৩শুদুনা ফ্রান্সকী রেকোর্দ থমখ্রবা লোরিসনা ফোঙদোকখি।

ফ্রান্সকী কোচ দেসচেম্পনা মহাক্কী চহী ৩১ শুরবা শান্নরোয় এন্টোইন গ্রিজমেনগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মহাক্কী আউটষ্টেন্দিং ওইবা ৱর্ল্ডকপকী ফোর্মদা মখা তানা শান্নদুনা ফ্রান্সপু নোংমাইজিং নুমিৎকী ফাইনেল য়ৌনা পুশিনগনি।

দি এটলেটিকো মাদ্রিদকী ফোরৱার্দ অসিনা প্লেমেকর ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মরু ওইবা শান্নরোয় ওইগদৌরি। মহাক তোঙান-তোঙানবা রোলশিংদা শান্নগনি। অদুবু মহাক্কী খ্বাইদগী চান্নবা শান্নহন্নবা হোৎনরি অমদি মহাক্কী টিমবু মায় পাক্না মাংলোমদা পুশিনবা ঙম্নবসু হোৎনগনি হায়খি।

অমরোমদা, মোরোক্কোগী কোচ রিগ্রাগুইনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ সেমীফাইনেল অসিদা ফ্রান্সকী কিলিয়ন এম্বাপ্পেবু কাউন্টর তৌননবা অমদি থেংননবা মোরোক্কোগী ওইবা তোপ-তোপ্পা থৌরাং লৈতে।

এম্বাপ্পেগী মতাংদা ঐঙোন্দগী অক্রফনা হেন্না নীংথিনা খঙই। মহাকপু নুংতিগী দেলি বেসিসতা ট্রেন তৌরি। মহাক্না কিলিয়ানবু করম্না দিল তৌগনি হায়বা ঐনা খঙই। মদুগী মথক্তা হাকিমিসু মালেমগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমা ওইরি। মখোয় অনীনা সেমীফাইনেল মেটচ অসিদা মোরোক্কোবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুরক্কনি হায়না কোচনা মখা তাখি।

অমরোমদা, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা সেমীফাইনেল অসিদা মোরোক্কোবু সপোর্ট তৌনবা সপোর্টর কয়া মোরোক্কোদগী ফ্লাইট ৩০দা লাক্তুনা দোহাদা থুংলখ্রে।

১৭শুবা কেদেট নেসনল ফেন্সিং

## মণিপুরনা নুপীগী ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

মহারাষ্ট্রগী নাসিকতা থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা চথরকপা ১৭শুবা কেদেট নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা গোল্ড ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৭ ফংদুনা নুপীমচাগী ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

নুপীগী ইপি ইন্দিভিজ্যুএলদা এস নেলসি রোসনা গোল্ড অমদি ওসিনী কেনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। এস নেলসি রোস, ওসিনী কে, এল চিংলেন্বী অমদি মিনারাভা ৱাইনা ইপি টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

ফোইল ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা দল্লিয়ু সোনিয়ানা গোল্ড অদুগা টিম ইভেন্টতা দল্লিয়ু সোনিয়া, দয়ারানী এন, এস এলিস অমদি কে ঐচ অঞ্জলিনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

সেভর ইন্দিভিজ্যুএলদা এল অবিনা গোল্ড অদুগা এল অবি, পি অম্বিকা, পি বেবি দাইনা অমদি নেনচি এননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

অমরোমদা, কে কেননা নুপাগী ইপি ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। অদু কে কেন, কে রামাকান্ত, এস ঐচ জেনিথ অমদি দল্লিয়ু নিকেশনা ইপি টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংখি।

## নিরঞ্জন গম্মা ৱর্ল্ড এম এম এগী খল্লক্লে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্কদৌরিবা গম্মা ৱর্ল্ড এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় জিরিবামদগী ফাঞ্জৌবম নিরঞ্জন ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবা ওল ইন্দিয়া মিক্স মার্সিএল আর্ট ফেদরেসননা খল্লক্লে।

মহাক ফেন্দর ৱেথ (কেজি ৬৫.৮) দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি। পনবা য়াবদি, নিরঞ্জন হন্দক্তা থাইলেন্দগী পটায়াদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন পেসিফিক এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখিবনি।

২শুবা ষ্টেট হোক্কী টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

## ৱাই সী সী আই সীনা নুপীগী, এস ৱাই য়ু সীনা নুপাগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

বিষ্ণুপুর হোক্কীনা শীন্দুনা এস এল ও গ্রাউন্দদা চথরকপা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন ৬-এসাইদ হোক্কী টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ্পা নুপীগী অমদি এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোননা নুপাগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

নুপীগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেলদা ৱাই সী সী আই সীনা মৈরা-বি বাশিখোংবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

কোন্থা অহল্লুপ টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু কে রিনানা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ওইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই য়ু সীনা ৱাই সী সী আই সীবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

এস ৱাই য়ু সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু কিরন্ন অমদি কেপ্টেন দিপুনা ফিল্ড গোল অমমম্ শান্নবগী ২১ অমদি ২৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ৱাই সী সী আই সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দিনাচন্দ্রনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখিবনি।

নুপাগী অয়ূক শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা ৱাই সী সী আই সীনা মৈরা-বিবু ২-১দা অদুগা এস ৱাই য়ু সীনা মৈরাবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7933/4/12-3/02

২৬শুবা বিরচন্দ্র-মাইপাকপী ৱিন্নর্স কপ

## ১১ ষ্টার এস য়ু, জি দি সী ফাইনেল য়ৌবগী লম্বী নকশিনখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

অম্ফানা শীন্দুনা দবল লেগ বেসিসতা চথরিবা ২৬শুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ৱিন্নর্স কপকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা লেগকী সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইম্ফাল ইষ্ট অমদি গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (জি দি সী) বিষ্ণুপুর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বী নকশিনহনখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা ১১ ষ্টার এস য়ুনা লমকা স্পোর্টস ক্লব (এল এস সী) চুড়াচান্দপুরবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

গিভসন কামৈনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা ১১ ষ্টারগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। লালসিংঙম রিয়ামৈ অমদি গোলমৈ অপু কবুইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬০ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা ১১ ষ্টারগী মায় পাকপগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

এস এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা থাংমোনলাল তুংলুটনা শান্নবা হৌরকপগী ১১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি চোংথাম শ্যামসননা ১১ ষ্টারগী খুমন্থেম তাইবংঙানবা অমদি লালসিংঙম লিয়ামৈ অদুগা এল এস সীগী ঐচ চিনমুআনলাল শান্নবগী ৬১, ৭২ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা জি দি সী বিষ্ণুপুরনা কুকি ফুটবোল একাদেমি (কে এফ এ) কাংপোকপীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে এফ এগী লেনগৌসেম সাইলোনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। হুইরেম রোমেশনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা খাইদেম অমর্জিৎনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা জি দি সীগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই হৈস্নাম মাইকেলনা বিষ্ণুপুরগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা কাংপোকপী টিমবু ৩-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

টিম মরি অসিনা থা অসিগী ১৬তা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা অনীশুবা লেগকী সেমীফাইনেল মেটচশিংদা লম্বা তৌনরগনি।

এক্স ফিটনেসকী কোচ অমদি শান্নরোয় অনী তরাম্না ওকখ্রে

## লোকল জিমগী শান্নরোয়শিংনা অচৌবা কম্পিটিসনশিংদা মায় পাক্লকপা অসিনা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীরগনি : ৱাই সুনন্ত



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

লোকল জিম অমা ওইরিবা এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খেগী শান্নরোয়শিংনা অচৌবা কম্পিটিসনদা মায় পাক্লকপা হায়বসি কম্মর্সিএল জিমশিংদা শান্নবা ফংদবা শান্নরোয়শিংবু অনৌবা ঈনোৎ অমা পীবগা লোয়ননা হেন্না থৌনা হাপ্লগনি হায়না এক্স ফিটনেস জিমগী প্রসিদেন্ট ৱাই সুনন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না ঙসি অয়ূক ৱাঙ্খে থাঙ্গপাৎ মপালদা লৈবা এক্স ফিটনেস জিমগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা জিম অসিগী কোচ অমা অমদি শান্নরোয় অনী ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

শান্নরোয় অনী অদুদি হৈস্নাম ফ্লদ মঙাং অমদি লাইশ্রম মোধুনি অদুগা কোচ অদুনা রোমিও কামসোননি।

শান্নরোয় অনী অসিনা হন্দক্তা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটরদা দাইমন্দ জুবিলী সেলেব্রেসনগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ৬০শুবা মিষ্টর মণিপুর ষ্টেট বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী মাষ্টর কেটগোরিশিংদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি।

হৈস্নাম ফ্লদনা মাষ্টর চহী ৫০-৬০ কাঙলূপ্তা অদুগা লাইশ্রম মোধুনা মাষ্টর চহী ৬০ মথক্কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।

ঙসি চম্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এক্স ফিটনেস জিমগী সেক্রেটরি ফাঞ্জৌবম জোগেন য়াওনা জিমগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা শরুক য়াদুনা কোচ অমদি শান্নরোয় অনীদা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## ষ্টেট জুনিয়র বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

বিহারগী কোনুং পাটনাগী পটলিপুত্র স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৭তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা জুনিয়র বোইজ নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মীওই ১৭না শাবা ষ্টেট বোক্সিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এল সুনিলকুমারনা মেনেজর অদুগা কোচ ওইনা ৱাই প্রিয়োকুমার, এল চিত্তরঞ্জন অমদি ৱাই রিশিকান্তনা শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিং অদুনা এম দি মুজাহিদ (কেজি ৪৬), হুইদ্রোম রিশি মঙাং (কেজি ৪৮), তখেল্লম্বম অমর্জিৎ (কেজি ৫০), এম দি নিরাজ (কেজি ৫২), লৈভোন ভিলাট কোম (কেজি ৫৪), য়েংখোম বিরাম মৈতৈ (কেজি ৫৭), মোইরাংথেম পূন্সিবা (কেজি ৬০), লৈমপোকপম বিনোদকুমার (কেজি ৬৩), সিনাম অলর (কেজি ৬৬), অহৈবম মঙাল (কেজি ৭০), খংজ্রাকপম প্রেমচান্দ (কেজি ৭৫), পেবম সেলুসিয়স মৈতৈ (কেজি ৮০) অমদি লিও লুক্রাম (কেজি ৮০ মথক)নি।

## গোল্ড মেদলিষ্ট ফমদোম বিশ্বরজিৎ পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৩(ঐচএনএস):

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা হন্দক্তা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ২৮শুবা জুনিয়র থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা থরোইজম অৱাং লৈকাইদগী ফমদোম বিশ্বরজিৎপু পীছ হ্যুমেনিটি এন্দ সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব থরোইজম মমাং লৈকাইনা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।


LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7893/13/12-12/-1

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) CLASS -IX & X (BOSEM)
15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022
1st POSITION 3rd POSITION 8th POSITION 18th POSITION



Laishram Rahul Meneka Huidrom Moirangthem Rex Singh Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/5089/2/12-30/01

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 658**

**GM Rauf Mamedov (2646) - GM Daniil Dubov (2708)**
**chess.com SpeedChess Q1KO chess.com INT, 2022.11.11**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.g3 b6 | 3.Bg2 Bb7 | 4.d3 d5 |
| 5.O-O e6 | 6.Nbd2 Be7 | 7.e4 dxe4 | 8.Ng5 Nbd7 |
| 9.Ngxe4 Nxe4 | 10.Nxe4 O-O | 11.Nf6+ Bxf6 | 12.Bxb7 Rb8 |
| 13.Bg2 c5 | 14.c3 Qc7 | 15.Qe2 Rbd8 | 16.a4 Rfe8 |
| 17.a5 h6 | 18.Re1 Nf8 | 19.axb6 axb6 | 20.Bf4 Qd7 |
| 21.Ra6 Qb5 | 22.Rea1 Ng6 | 23.Bc7 Qxd3 | 24.Qxd3 Rxd3 |
| 25.Rxb6 Be5 | 26.Rb7 Rd2 | 27.Be4 f5 | 28.Bf3 Bxc7 |
| 29.Rxc7 Re7 | 30.Rxc5 Rxb2 | 31.Bh5 Kh7 | 32.Ra8 Rd7 |
| 33.Rc6 Rb1+ | 34.Kg2 Re1 | 35.Rcc8 Rd2 | 36.c4 e5 |
| 37.Rc6 Nh8 | 38.c5 e4 | 39.Rd6 Rc2 | 40.c6 e3 |
| 41. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 657 Ans. :**
41. ...e2 42. Rh1 Rxc1+ 43. Rxc1 Nd1 44. Rd4 e1=Q 45. Rdxd1 Qe5+ 46. Rd4 Qxd4+ 0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com